# ত্রিপুরাগী সী এম বিপ্লব কুমার দেব কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

অগরটালা, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী):
ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেব য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টেষ্ট তৌবদা নোবেল কোরোনা ভাইরস পোজিটিভ ওইরম্লে।

ত্বিটর পোষ্ট অমদা সী এম বিপ্লবনা মহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ডোক্তরশিংগী এদভাইস মতুং ইন্না ময়ুমদা আইসোলেসন তৌরি হায়রি। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না মীপুং খুদিংমক্তা কোভিদ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়র অপুন্বা নীংথিনা ঙাক্তুনা অশোয় অঙাম থোক্তনা লৈনবা আপীল তৌখি।

চৈরকসিদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ত্রিপুরাগী সী এম বিপ্লব দেব কোভিদ-১৯ লায়নাদগী থুনা ফারকপা ওইরসনু হায়না লেটর অমদা ইখ্রে।

কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন মখা তানা শন্দোরকপা থিংনবা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টনা অনৌবা গাইদলাইনশিং ইশ্যু তৌখিবা মতুংদা পাঙথোকপা টেষ্টতা সী এম দেব কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বনি।

অনৌবা গাইদলাইনদুগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্ট ওফিস পুম্নমক্তা ফেস মাস্ক শীজিন্নবা কম্পলসরি ওইরগনি। চেকশিন থৌরাং অসিবু থুগাইবশিং অহানবা ওইরবদি লুপা ২০০ ফাইন তৌগনি অমসুং অনীরকশুবা ওইরবদি লুপা ৪০০ ফাইন তৌগনি।

চীফ সেক্রেটরিনা ইশ্যু তৌবা নোটিফিকেসনদা ওফিসশিং অমসুং পব্লিক ট্রান্সপোর্টতা সোসল দিষ্টেন্সিং মেন্টেন তৌগদবনি হায়নসু পনখি।



অহল ওইরবা মীওইশিংবু মশা মউ ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা ২২ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা ৪৪ অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা দাইলোং ভিলেজতা পাঙথোকখিবা লেম্না লায়েংবা থৌরমগী মমিং অমা

# ফাইনেল ফেজদা ভোট চাদা ৪২.২৮ থাদনখি

গুৱাহাটি, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সী) :
অসাম এসেমব্লিগী অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোটরশিংনা চাদা ৮২.২৮ গী চাংদা ভোট থাদদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা লোয়শিনখ্রে।

তাঙ্কক অসিগী মীখলদা কেন্দিদেট ৩৩৭ কী লাইবক লেপকদৌরিবনি। অপূনবা কেন্দিদেট ৩৩৭ কী মনুংদা ৩১২ না নুপাশিংনি অমসুং ২৫ না নুপীশিংনি। রিপোর্ট অসি ফাইল তৌবা মতম ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৮২.২৮ ওইখি। ষ্টেট ইলেক্সন দিপার্টমেন্টকী সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না রিপোর্ট অপুন্বা কম্পাইল তৌরবা মতুংদা পাবদা পার্সেন্টেজ অসি হেনগৎলক্কনি। অহুমশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসি কামরুপ (মেট্রো) য়াওনা লৱার অসামগী দিষ্ট্রিক্ট ১২ এসেমব্লি সেগমেন্ট ৪০ দা পাঙথোকখিবনি। চীফ ইলেক্তরেল ওফিসর অসাম নিটিন খাদেনা ফোঙদোকখিবদা অহুমশুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখল অদু ঈংনা চীক্লা পাঙথোকখি ।

# নাগালেন্দগী বাই ইলেক্সনদা এন দি পি পিগী কেন্দিদেট লম্বা য়াওদনা কারে



দিমাপুর, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী):
নেস্নেলিষ্ট দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি (এন দি পি পি) গী কেন্দিদেট ঐচ চুবা চাং নাগালেন্দ এসেমব্লিগী ৫১ নোকসেন লেজিসলেটিভ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী বাই ইলেক্সনদা লম্বা য়াওদনা কারে হায়না লাউথোকখ্রে।

এন দি পি পিগী কেন্দিদেট চাংবু থাংজ নুমিত্তা ৫১ নোকসেন এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী রিটর্নিং ওফিসরনা লম্বা য়াওদনা কারে হায়না লাউথোকখিবনি। ঐচ তুবা চাং অসি নেস্নেল দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি (এন দি পি পি) না লুচিংবা প্রোগ্রেসিভ দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (পি দি এ) কী মত অমত্তদা খনবা কেন্দিদেটনি। মহাক কুমজা ২০২১ গী এপ্রিল ১৭ তা পাঙথোক্কদবা বাই ইলেক্সন অমগী নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌখিবা অমত্তা ঙাইরবা কেন্দিদেটনি। নোমিনেসন পেপরশিং লৌথোকপগী অরোয়বা নুমিৎ এপ্রিল ৩ দা চাংবু লম্বা য়াওদনা কারে হায়না রিটর্নিং ওফিসরনা লাউথোকখিবনি।

মহাক্না কুমজা ২০০৮ ফাওবা কোংগ্রেসকী এম এল এ ওইখি। ৫১ নোকসেন এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী বাই ইলেক্সনগীদমক্তা ওপোজিসন নাগালেন্দ পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) না কেন্দিদেট অমত্তা থাদোকখিদে। সিটিং এম এল এ ওইরিবা সী এম চাং লৈখিদবদগী বাইপোল অসি পাঙথোকপা মথৌ তারকখিবনি হায়না নাগালেন্দগী দেপ্যুটি চীফ ইলেক্তরেল ওফিসর অৱা লোরিননা ইলেক্সন কমিসন ওফ ইন্দিয়ানা ইবা লেটর অমদা ফোঙদোকখি।

ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ জষ্টিস এন্দ লো মিনিষ্টরগী থৌ পুখিবা সী এম চাং কুমজা ২০২০ গী ওক্তোবর ১২ দা লৈখিদবনি। নোকসেনগী বাই ইলেক্সনদা মায় পাক্লবা মতুংদা মেম্বর ৬০ লৈবা নাগালেন্দ লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা রুলিং এন দি পি পিগী ষ্টেংথ ২১ দা হেনগৎখি। পি দি এগী ষ্ট্রেংথ ২১ দা হেনগৎখি। পি দি এগী পার্টনর অমা ওইরিবা বি জে পি নাগালেন্দদা এম এল এ ১২ লৈ। ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট অনীনা পি দি এ শৌগৎলি। ওপোজিসন নাগালেন্দ পিপলস ফ্রন্টনা এম এল এ ২৫ লৈ। নাগালেন্দ এসেমব্লিদা থাগৎলবা চাংবু এন দি পি পিনা হরাও তয়াম্বা উৎখি।

# অসাম রাইফলসনা হুন্দুর ভেংদগী হেরোইন গ্রাম ৭৫ ফারে


আইজোল, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী):
মিজোরামগী কেপিটেল আইজোলদা বেজ তৌবা ২৩ সেক্তর অসাম রাইফলসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হুন্দুর ভেংদগী হেরোইন গ্রাম ৭৫ ফাখ্রে।

থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলস অমসুং মিজোরাম এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক্স দিপার্টমেন্টনা পুন্না পাঙথোকমিন্নখিবা ওপরেসন অমদা হেরোইন গ্রাম ৭৫ দু ফাখিবনি। লোনা য়াদবা পোৎশক অদু ফাবগা মরী লৈননা এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা মীওই মঙাসু দিটেন তৌখি।

সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না, ফারবা হেরোইনদুগী মার্কেট ভেল্যু লুপা ৩৩,৭৫,০০০ নি। মিজোরামগী ইন্দো-ম্যান্মার ইন্তরনেস্নেল বোর্দর পরিংদা বোর্দর লান্না নারোনদা পোৎ চৈশিং পুথোক পুশিন তৌবা থিংনবা মিজোরাম পুলিস অমসুং এক্সাইজ এন্দ নার্কোটিক্স দিপার্টমেন্টনা অসাম রাইফলসকা খূৎশম্নরগা অসিগুম্বা ওপরেসনশিং রুটিন ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকখি।

অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা অরুনাচল প্রদেশ পুলিসকা খূৎশম্নরগা এপ্রিল মঙাদা চথখিবা ওপরেসন অমদা এন এস সী এন (আর) কাদর অমা চাংলাং দিষ্ট্রিক্টকী কাংখোদগী ফাখি। মফম অদুদা এন এস সী এন (আর) গী কার্দর লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী অপূনবা টিম অদুনা থিবা হুম্বা চথখিবনি।

## CROSSWORD-3745



**ACROSS**

1 Mislaid (4)
3 Final performance before retirement (4,4)
9 Eldest son of French king (7)
10 Evade (5)
11 Deduce (5)
12 Ingenious (6)
14 Charitable giver of help (4,9)
17 Rupture (6)
19 Large striped cat (5)
22 More competent (5)
23 Scandinavian country (7)
24 Precious stone (8)
25 Average (4)

**DOWN**

1 Digs (8)
2 Powdered tobacco (5)
4 RAF officer (4,9)
5 Female relative (5)
6 Rich, luxurious (7)
7 Scottish valley (4)
8 Financial holdings (6)
13 Continuous (8)
15 Coincide partly (7)
16 Part of the eye (6)
18 Compass bearing (5)
20 Forest clearing (5)
21 Asian country (4)

**Solution 3744**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | M | I | S | H | A | N | D | L | E | D | |
| W | | I | | A | | C | | I | | A | | |
| I | N | S | I | G | H | T | | S | T | R | I | P |
| T | | E | | A | | U | | A | | L | | R |
| C | A | R | D | | S | A | N | G | U | I | N | E |
| H | | | | N | | L | | R | | E | | T |
| C | A | S | U | A | L | | H | E | A | R | S | E |
| R | | O | | P | | S | | E | | | | N |
| A | P | P | R | O | V | E | D | | H | A | R | D |
| F | | R | | L | | R | | E | | P | | I |
| T | E | A | S | E | | B | A | R | G | A | I | N |
| | | N | | O | | I | | G | | R | | G |
| | R | O | U | N | D | A | B | O | U | T | | |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3544**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | | 2 | 8 | | |
| 5 | | | 9 | | 8 | | | 2 |
| 1 | | | 5 | | | 4 | | |
| 9 | 8 | | | | | | | |
| | 1 | 5 | | | | 2 | 6 | |
| | | | | | | | 8 | 5 |
| | | 3 | | | 9 | | | 8 |
| 2 | | | 3 | | 7 | | | 9 |
| | | 6 | 4 | | | | 1 | |

**Solution-3543**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 4 | 2 | 5 | 9 | 7 | 8 | 1 |
| 9 | 8 | 7 | 3 | 6 | 1 | 2 | 5 | 4 |
| 5 | 1 | 2 | 4 | 7 | 8 | 6 | 3 | 9 |
| 4 | 7 | 3 | 8 | 1 | 6 | 9 | 2 | 5 |
| 8 | 2 | 9 | 5 | 4 | 3 | 1 | 7 | 6 |
| 1 | 5 | 6 | 7 | 9 | 2 | 3 | 4 | 8 |
| 7 | 4 | 1 | 9 | 2 | 5 | 8 | 6 | 3 |
| 6 | 3 | 5 | 1 | 8 | 7 | 4 | 9 | 2 |
| 2 | 9 | 8 | 6 | 3 | 4 | 5 | 1 | 7 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

# মফম থদৎখ্রবা এ পি এস সী চ্যেরমেনগী বেল প্লি গৌহাটি হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে



গুৱাহাটি, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী):
অসাম পব্লিক সার্ভিস কমিসন (এ পি এস সী) গী চ্যেরমেন রাকেশ পোলনা থাখিবা বেল প্লি এপ্রিল ৭ তা গৌহাটি হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

এ পি এস সীগী হান্নগী চ্যেরমেন অসি কুমজা ২০১৬ তা খঙনরকখিবা কেস ফোর জেব ৱাথোক্তা চেন্নবা মরু ওইবা মীশক্নি। মহাক লোনা য়াদবা মওংদা শেল চারগা থবক হাপ্পগী মরালদা নবেম্বর থাদা ফাখি।

কেস অদুগী অরুবা ফীভম অমসুং লৈরিবা ইভিদেন্স য়েংলগা জষ্টিস রুমি কুমারি ফুকাননা বেলগী প্রেয়র অদু রিজেক্ট তৌখি হায়না পোলগী মায়োক্তা ইহান হান্না কেস রেজিষ্টর তৌখিবা ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর এদিস্নেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস সুজিৎ সিংহ পানেসারনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৬ তা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানান্দ সোনোৱালনা ওফিস পায়বা হৌরবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা অসাম পব্লিক সর্ভিস কমিসন (এ পি এস দি) গী মেম্বর খুদিংমক কৌখৎখি অমসুং কমিসন্না শেলগা থবক্তা ওন্নরে হায়বা ৱাফমগী মতাংদা মখোয়দা তকখৎখি। অদুম ওইনমক মতমদুগী চ্যেরমেন রাকেস পোলনা মঙোন্দা চীফ মিনিষ্টরনা ইন্সত্রক্সন পীবা নৎত্রগা মহাক্কী থবক্তা খূৎ থিংজিনবগী ওথোরিটি লৈতে অমসুং মহাকপু মফম লৌথোকপগী পৱারদি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট খক্তনা পায় হায়খি। চীফ মিনিষ্টর সোনোৱাল তুমিন্না লৈবা তাখি।

মতম খরা লৈরগা অংসুমিতা গোগোই কৌবা দেন্টিষ্ট অমনা দিষ্ট্রিক্ট সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস দিব্রুগরদা বেজ তৌবা টাউন এন্দ কন্ত্রি প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিন্নিয়র ওইবা নাবাকান্তা পাটির কৌবা অমনা গভর্ণমেন্টগী ফমগীদমক্তা এ পি এস সীনা শোয়দনা খনবদা লুপা লাক্ষ তরা চঙগনি হায়রক্লে হায়বা ৱাফম তন্নদুনা ৱাকৎখি। গোগোয়না মমাংদা এ পি এস সীগী খুথাংদা থবক তৌনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদে।

নুমিৎ নীনি লৈরগা পুলিসনা লাং থাক্তুনা পাটিরবু শেলগা কোন্ননা ফাখি। পাটির ফারবা মতুংদা ওক্তোবর ৩০ দা রাঙ্গিয়াদা এ পি এস সীগী মেম্বর সামেদুর রহমনগী পি এস ও অমুদ অল্লি চৌধরি ফাখি। অসুম্না মথং মথং ফাবদগী মমৈথংদা পোলসু ফাখি। দিষ্ট্রিক্ট কোর্টকী নোটরি অমা ওইরম্বা পোল কুমজা ২০০৮ দা তরুন গোগোয়না লুচিংবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা এ পি এস সীগী মেম্বর হাপখিবনি।

## ꯆꯥꯀꯊꯣꯛ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

HPCL Engineer Recruitment 2021: Hindustan Petroleum Corporation Limited (HPCL) invites online applications from talented & motivated Indian nationals looking for exciting career opportunities of following Engineering positions. The last date for registration of online applications is 15th April 2021.
Name of Post
Total Vacancies
Mechanical Engineer
120
Civil Engineer
30
Electrical Engineer
25
Instrumentation Engineer
25
Pay Scale: E2 Grade, ? 50000 – 160000/- (CTC ? 15.17 Lakhs)
Educational Qualifications:
04-years full time regular engineering graduate (B.E. / B.Tech) course from AICTE approved / UGC recognized University/ Deemed University.
Minimum 60% marks for UR/OBCNC/EWS Candidates and 50% for SC/ ST/ PwBD candidates.
Place of Posting: Any SBUs/ Division/ Department of the Corporation.
Selection Process:
Computer Based Test (85% Weightage)
Group Task (5% Weightage)
Personal Interview (10% Weightage)
Final Scoring
Application Fee:
A Non-Refundable Amount of ? 1180/- + payment gateway charges if any (Application fee of ? 1000/-+ GST @ 18% i.e. ? 180/-+ payment gateway charges if applicable).
Payment Mode: Debit / Credit card/UPI/Net Banking: On paying application fee online.
How to Apply: Eligible candidates are required to apply online only through HPCIL Jobs portal (jobs.hpcl.co.in). The last date for registration of online applications is 15/04/2021 till 23:59 Hours.

HPCL R&D Professional Jobs 2021: Hindustan Petroleum Corporation Limited (HPCL) invites online applications from talented & motivated R&D professionals looking for exciting career opportunities in energy sector and willing to contribute towards India's energy future by being part of our growth journey. The last date for registration of online applications is 15th April 2021.
Name of the Post
No of Vacancies
Chief Manager / Deputy General Manager –Catalyst Scale-up
01
Chief Manager / Deputy General Manager Analytical
01
Chief Manager / Deputy General Manager Engine
01
Assistant Manager-Intellectual Property Rights Cell
02
Assistant Manager / Manager -Engine
02
Assistant Manager /Manager -Petrochemicals & Polymers
01
Officer - Petrochemicals & Polymers
01
Officer - Bioprocess
01
Officer - Crude & Fuels Research
01
Minimum Educational Qualification and Experience: M.E./M. Tech., Ph.D. in relevant subjects /areas.
Selection Process: Interview.
Application Fee:
A Non-Refundable Amount of ? 1180/- + payment gateway charges if any (Application fee of ? 1000/-+ GST @ 18% i.e. ? 180/-+ payment gateway charges if applicable).
Payment Mode: Debit / Credit card/UPI/Net Banking: On paying application fee online,
How to Apply: Eligible Interested candidates apply online only through Hindustan Petroleum official website. The last date for registration of online applications is 15/04/2021 till 23:59 Hours.

NMDC Limited Walk-in Recruitment Drive for Executives and Non-Executives posts on contract basis for NISP, Nagarnar at Ranchi, Jamshedpur and Raipur. The last date for registration of online applications is 15th April 2021.
Executive Cadre:
Department
Total Vacancies
Energy Management Department
39
Safety
21
Materials Management
19
Contracts Management
11
Centralised Maintenance Mechanical
04
Compressed Air Station
02
Craning Engineering
04
Supervisory & Non-Executive Cadre:
Department
Total Vacancies
Energy Management Department
87
Hot Strip Mill
06
Central Maintenance Mechanical
05
Compressed Air Station
08
Crane Engineering
07
Maximum Age: 65 years
Monthly Remuneration:
Executive -III (Contract): Rs. 1,50,000/-
Executive – II (Contract): Rs. 1,20,000/-
Executive – I (Contract): Rs. 90,000/-
Executive I(a) (Contract): Rs. 60,000/-
Supervisor cum Chargeman (Contract): Rs. 60,000/-
Senior Technician cum Operator (Contract): Rs. 50,000/-
Technician cum Operator (Contract): Rs. 40,000/-
Educational Qualifications:
Degree in any branch of Engineering / Technology.
ITI in any discipline.
Diploma in any branch of Engineering.
Selection Process:
For Supervisors and Non-Executives Cadre: Written Test and Supervisory Skill Test/ Skill Test
For Executives Cadre: Interview only.
How to Apply: Eligible candidates would be required to apply online for registration through NMDC website (nmdcnisp. formflix.com). The last date for registration of online application is 15/04/2021.

